থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯

# এল এম এল সী সী অমসুং এফ সী ককচীং খুনৌ দ্রো চৎখ্রে, এস দি ও পলেল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা দি এস এ প্লেগ্রাউন্দদা চথুরিবা থর্দ দিভিজন লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এল এম এল সী সী অমসুং এফ সী ককচীং খুনৌ পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে। অদুগা এস দি ও পলেল মায় পাকখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এল এম এল সী সী অমসুং এফ সী ককচীং খুনৌ লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌবগা টিম অনীনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। অদুবু মেচকী ৯শুবা মিনটতা এল এম এল সী সীগী শান্নরোয় ৱাই পকাজাও জর্সি নম্বর ১১না পাঞ্জল হান্না চনখিদুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি।

ৱাই পকাজাওনা চনখিবা পাঞ্জল অদু এফ সী ককচীং খুনৌগী মায়কৈদগী অকনবা শাফুগা লোয়নননা হোৎনরকখি। মখোয়গী হোৎনজমল মায় পাকখি। মেচকী ১৫শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় ঐচ রিসিকান্তনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপগা টিম অনীনা মখা তানা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীনা হেনজিন্নবা য়াদনা শান্নখিবনা মেচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা কে ৱাই দব্লিয়ু এ সী অমসুং এস দি ও পলেল লম্বা তৌনখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এস দি ও পলেলনা কে ৱাই দব্লিয়ু এ সীবু পাঞ্জল ৭-৩দা মায়থীবা পীখি। এস দি ও পলেলগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু সন্দিপ জর্সি নম্বর ১২, অর্নোল্ড জর্সি নম্বর ৯, সুরেস জর্সি নম্বর ১৭, অশুটোস জর্সি নম্বর ৬ অমদি গৌতম জর্সি নম্বর ১৩না চনখিবনি। অদুগা মায়থীহৌরবা কে ৱাই দব্লিয়ু এ সীগী পাঞ্জলশিং অদুনা বিদ্যাসাগর জর্সি নম্বর ৫, মৈলে জর্সি নম্বর ৮ অমদি জর্সি নম্বর ১৩ সুসিলনা চনখিবনি।



ইন্টর ক্লব আর্চরি টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ইন্দিভিজ্যুএল ইন্দিয়ন রাউন্দ ৱিমেনদা এম বেবিনা অহানবা পোজিসন তাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস):

তরুকশুবা অসাম রাসফলস কৈথেলমানবীনা শীন্দুনা ৬শু অসাম রাইফলসকী কেম্পসতা পাঙথোকপা তরুকশুবা প্রাইজ মনি ইন্টর ক্লব আর্চরি টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়নননা ইন্দিভিজ্যুএল ইন্দিয়ন রাউন্দ ৱিমেনদা এম বেবিনা অহানবা পোজিসন তাখ্রে।

ইন্দিভিজুএল ইন্দিয়ন রাউন্দ (ৱিমেন) গীদা কে এম এ সী য়ুনিটকী এম বেবিনা অহানবা পোজিসন, বি সী এ সী য়ুনিটকী অবেস্নানা অনীশুবা পোজিসন অমসুং এন এন আর সী য়ুনিটকী এল সোফিয়ানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ইন্দিভিজুএল ইন্দিয়ন রাউন্দ (মেন) গীদা বি সী এ সী য়ুনিটকী এল মিলননা অহানবা পোজিসন, এ এ সী য়ুনিটকী এম বিকাশনা অনীশুবা পোজিসন, আই টি এ সী য়ুনিটকী এস রোবার্টনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।




ইন্দিভিজুএল কম্পাউন্দ (ৱিমেন) গীদা এস এ আই আর সী য়ুনিটকী এস ঐচ মনোরমানা অহানবা পোজিসন, এ সী ঈ য়ুনিটকী এল দুলিনানা অনীশুবা পোজিসন অদুগা য়ু এ এ য়ুনিটকী টি সুচিত্রানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ইন্দিভিজুএল কম্পাউন্দ (মেন) গীদা এস এ আই আর সী য়ুনিটকী এস রমাকান্তনা অহানবা, য়ু এ সী য়ুনিটকী এম বিক্রমনা অনীশুবা অদুগা এন এস এ য়ুনিটকী এন মালেমঙানবনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ইন্দিভিজুএল রিকর্ভ (ৱিমেন) গীদা এস এ আই আর সী য়ুনিটকী এল সীমানা অহানবা, এফ সী য়ুনিটকী জেনিফরনা অনীশুবা অমদি এস এ আই আর সী য়ুনিটকী লুমিল্লানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ইন্দিভিজুএল রিকর্ভ (মেন) গীদা এন এস এ য়ুনিটকী এ কে অমরজিৎনা অহানবা, এফ এ সী য়ুনিটকী এম মালেমঙানবনা অনীশুবা অদুগা এন এস এ য়ুনিটকী এন পারিথোইনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

# মেগা মরাথোন মণিপুরগী মিদিয়া কম্মিটি শেমখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস):

য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট মণিপুরনা শীন্দুনা পোলো গ্রাউন্দ মনীংদা লৈবা এ এম এস এগী কনফরেন্স হোলদা চহীসিগী নবেম্বর ৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৩শুবা মেগা মরাথোন মণিপুর ২০১৯গী মিদিয়া কম্মিটি শেমখ্রে।

মিদিয়াশিংগা লোয়নননা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা কো কনভেনর ওইনা টেলিগ্রাফকী পাউমী সাপম রোবর্ট, কনভেনরদা মাইবম সুসিলদ্রো এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি য়ু পি এফ চ্যেরমেনদা মোইরাংথেম তরুন কুমার ইন্স্পেক্ট টিভি হায়রিবা মীওইশিং অসি খনখ্রে।

থৌরম অদুদা য়ুনাইটেদ পিপল ফ্রন্টকী প্রসিদেন্ট দব্লিয়ু সেকেন্দনা হায়, মেগা মরাথোন অসি পাঙথোক্লি বগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনদি ইমা লৈবাক মণিপুরগী মীপূম খুদিংমক তিঞ্জং-কাইজংদবা মশা-মউ ফবা, মতিং মথৌনা লৈবা মীওই অমা পুথোক্লবা অমসুং মশা-মউ ফবা খুন্নাই ওইনবগী পান্দমদা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) মণিপুরনা ‘রন ফোর য়োর নেসন’ হায়বা থিমদা য়ূম্ফম ওইরগা হৌখিবা কুমজা ২০০৭তগী এথলেটিক এসোসিএসন মণিপুরগী লমজিং মখাদা মেগা মরাথোন মণিপুর হায়না মীংথোন্দুনা লমশাং লমজেল পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

লমশাং লমজেল অসিগী মখা চথুরকপা ১৩শুবা মেগা মরাথোন মণিপুর ২০১৯ লাক্লিবা নবেম্বর ৩, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকচগনি। মেগা মরাথোন অসিগী ফোর্ম য়াইরিপোক বজার -থৌবাল শর্ম্মা দিষ্ট্রিব্যুটর, খুরাই লমলোং থোংখোং ৱাই কে প্রিন্টরস, খোঙহাম্পাৎ অৱাং লৈকায় এভ্যেনহাওস, বিষ্ণুপুর বজার এনাল ওফিস, থৌবাল বজার সিরোই ওফসেট প্রিন্টরস হায়রিবা মফমশিং অসিদগী ফংগনি।

৩শুবা এল ইতোমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন

# সী ৱাই সীনা সাই এস এ জিবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস):

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা মিনি ষ্টেদিয়ম গ্রাউন্দ, বিষ্ণুপুরদা চথুরিবা ৩শুবা এল ইতোমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা সী ৱাই সীনা সাই এস এ জিবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথুরিবা ৩শুবা এল ইতোমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা সী ৱাই সী অমসুং সাই এস এ জি লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌবগা সী ৱাই সীনা য়াম্না ঙন্না পাঞ্জল চনখি। পাঞ্জল অদু মেচকী ৪শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় পানমৈগিদিওন জর্সি নম্বর ৮না চনখিবনি। সাই এস এ জিগী মায়কৈদগী শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা সাই এস এ জিনা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু সী ৱাই সীনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা এন সী ৱাই দব্লিয়ু ও অমসুং টি ৱাই দি এ লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। মেচকী অঙনবা শরুক হায়বদি ৫শুবা মিনটতা টি ৱাই দি এগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৮ জিনবিলুংনা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। এন সী ৱাই দব্লিয়ু ওগী মায়কৈদগী শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা হোৎনরবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা এন সী ৱাই দব্লিয়ু ওনা লেপ্তুনা হোৎনরকপনা মেচকী ৭৫শুবা মিনটতা থামসন জর্সি নম্বর ২১না পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু ১-১দা লৈনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদবদগী মেচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি।

১১শুবা বোদৌসা কপ, ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট

# শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা মোরান টাউন ক্লবপু পাঞ্জল ৬-০দা চাউনা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস):

অসাম ফুটবোল এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা বোদৌসা স্পোর্টস ক্লবনা শীন্দুনা অসামগী তিনসুকিয়াদা চথুরিবা ওল ইন্দিয়া ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা মোরান টাউন ক্লবপু পাঞ্জল ৬-০দা চাউনা মায়থীবা পীখ্রে।

ওল ইন্দিয়া ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমসুং মোরান টাউন ক্লব তিনসুকিয়া লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা মোরান টাউন ক্লব টিনসুকিয়াবু য়াম্না লাকচনা শান্নখিবনা মেচ অদু শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা চাউনা ৬-০দা মায় পাকখি।

শগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু এন প্রিতমনা পাঞ্জল ৪ অদুগা ঈ দয়ানন্দ অমসুং এম বসন্তনা পাঞ্জল অমমম চনখি। মেচ অসিদা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী শান্নরোয় দয়ানন্দনা মেন ওফ দি মেচ তাখি। পনবা য়াবদি, ১১শুবা বোদৌসা কপ, ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট ২০১৯ অসি অসামগী তোঙান তোঙানবা প্লেগ্রাউন্দ ১০দা চথুরিবনি। টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৩২না শরুক য়ারি। লোয়নননা আই এস এল অমসুং আই লীগ টিমসু য়াওরি।

# ফেদরেসন কপ বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরনা মেদল ৫লৌরক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস):

ছটিশগর এমেচর বোদিবিল্ডিং এসোসিএসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ২২দা ছটিশগরগী কোনুং রায়পুরদা পাঙথোকখিবা ২৭শুবা নেসনল ফেদরেসন কপ বোদিবিল্ডর চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা মণিপুর অমেচর বোদিবিল্ডর এসোসিএসন, এম এ বি বি এগী লমজিং মখাদা মণিপুর ষ্টেটকী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুবদা মেদল ৫ লৌরকপা ঙমখ্রে হায়রি।

মণিপুরগী মেদল লৌরকখ্রবা বোদিবিল্ডর শান্নরোয়শিং অদুদি কে বি বি জিম তেরাগী সোরাইশম প্রিয়াঙ্কানা মেদিয়ম গ্রুপতা গোল্ড অদুগা গ্রুপ অসিমক্তুদা লাইফষ্টাইল জিম শঙাইপ্রৌগী মাইবম রোনাল্ডনা সিলভর লৌখি। টোল গ্রুপ্তা লময়ানবা জিম য়াইরিপোক টোপ চীংথাগী খাগেম্বম সোমানন্দ (বুঙো) না গোল্ড লৌবা ঙমখি হায়রি।



চেম্পিয়নশিপ অদুদা কে বি বি জিমগী প্রিয়াঙ্কানা মোষ্ট মস্কুলরগী টাইটল লৌবা ঙম্বদা নত্তনা মেন ফিজিক ওপন্দসু অহুমশুবা তাদুনা ব্রোঞ্জ মেদল অমসু লৌবা ঙমখি। ফেদরেসন কপ চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুর টিমগী ওইনা আর কে হরশ্যামনা টিম মেনেজর অদুগা টি ঐচ রজিবনা টিম কোচ ওইনা শরুকয়াখি। লোয়নননা মণিপুর টিম ঙরাং ইম্ফালদা য়ৌরকখিবগা এয়রপোর্টতা অমদি লৈকায় লৈকায়দা মীয়াম্না ওক্তুনা হরাও নুংঙাইবসু ফোঙদোকখ্রে হায়না মণিপুর অমেচর বোদিবিল্ডিং এসোসিএসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি লাইতোঞ্জম নোরেন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী)ঃ

মণিপুর ভেটরান টেবল টেন্নিস এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ইন্টর্নেসনল প্লেয়র হেমাম প্রহলাদনা মহাক্কী কাংঙবম ইম্ফালগী ময়ুমদা থা অসিগী ২২দা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবা অদুদা মণিপুর ভেটরান টেবল টেন্নিস এসোসিএসনগী এক্সজিক্যুটিব কম্মিতি, এদভাইজরি কম্মিতি, মেম্বরশিং অমসুং শান্নরোয়শিংনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ঙরাং দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট ও দিজেন্দ্রনা চেয়ারমেন ওইখিবা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগী মীফম অদুদা লৈখিদ্রবা হেমাম প্রলহাদনা ষ্টেট অসিদা টেবল টেন্নিস মশান্না অসিবু চাওখৎনবা অমদি ফগৎনবা লৌরম্বা থৌদাংশিং অদুবু নীংশিংখিবগা লোয়নননা মিনট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

# ৫৩শুবা মিষ্টর এসিয়াদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস):

ইন্দোনেসিয়াগী বাটমদা থা অসিগী ২৭তগী ওক্টোবর ৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫৩শুবা মিষ্টর এসিয়াদা শরুক য়াগদবা ওল মণিপুর বোদিবিল্ডিং এসোসিএসন (এ এম বি বি এ) গী শান্নরোয় ৪ ঙসি ইন্দোনেসিয়াগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

৫৩শুবা মিষ্টর এসিয়াদা শরুক য়াগদবা ওল মণিপুর বোদিবিল্ডিং এসোসিএসন (এ এম বি বি এ) গী শান্নরোয় ৪ অদুদি জুনিয়র বোদিবিল্ডিং কেটেগোরিগী কেজি ৭৫ মখাগী কাঙলূপ্তা কুঞ্জাময়ূম তখেলঙম্বা, কেজি ৭৫ মথক্কীদা রিসিকান্ত চান্দম, সেনিয়র বোদিবিল্ডিং কেটেগোরিগী কেজি ৮৫গীদা লাইতোঞ্জম রিসিকান্ত অমসুং মেন্স ফিজিক কেটেগোরিগী ওপনদা ৱাহেংবম সিটলজিৎনি।

ওল মণিপুর বোদিবিল্ডিং এসোসিএসন (এ এম বি বি এ) গী শান্নরোয় শিংনা ৫৩শুবা মিষ্টর এসিয়াদা শরুক য়াবদা মায় পাক্তুনা ইমা লৈবাক মণিপুরগী মীংচৎ পুরকপা ওইরসনু হায়না এসোসিএসনগী মায়কৈদগী তাইবঙ শেম্বা মপুগী মফমদা থৌনিজরি হায়রি।

অহানবা ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৬ সভেন এ সাইদ বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# হীয়াইনা উয়ুমপোকপু পাঞ্জল ২-১দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস):

কোইরেঙ্গৈ য়ুথ ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা কোইরেঙ্গৈ মাইবা খুলগী প্লে গ্রাউন্দদা চথুরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৬ সভেন এ সাইদ বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি অয়ূক শান্নখিবা মেচশিংদা হীয়াইনা উয়ুমপোকপু পাঞ্জল ২-১দা থোইখ্রে। অদুগা য়ু টি এল দব্লিয়ু ও এ অমসুং এন এস য়ু দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি অয়ূক শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা হীয়াই অমসুং উয়ুমপোক লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌবদগী টিম অনীনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। অদুবু হীয়াইনা ফজবা হেনবদগী মেচ অদু ২-১দা মায় পাকখি। হীয়াইগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু দেনিচন্দ্র অমসুং এস টোপ্পরনা চনখিবনি। অদুগা মায়থীহৌরবা উয়ুমপোক্কী পাঞ্জল অদুনা সী ঐচ রোবার্টনা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা য়ু টি এল দব্লিয়ু ও অমসুং এন এস য়ু লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল ৪-৪দা দ্রো চৎখি। য়ু টি এল দব্লিয়ু ও এগী পাঞ্জলশিং অদু পিশান, মোনিকনা পাঞ্জল অনী/অনী চনখি। অদুগা এন এস য়ুগী পাঞ্জলশিং অদুনা বিদ্যানন্দ, এস অমুয়াই অমসুং রিসিমান্দনা চনখিবনি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা কে ৱাই এফ এ অমসুং হীয়াই (বি) শান্নখিবা মেচ অদু কে ৱাই এফ এনা মায় পাকখি। অদুগা নুংথিলদা শান্নখিবা অহানবা মেচতনা য়ুনাইটেদ এফ সী মায় পাকখ্রে। অদুগা অনীশুবা মেচতনা কে ৱাই পি এ অমসুং দি এফ সী দ্রো চৎখ্রে।

১৭শুবা কিশোরকুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল

# এস দব্লীয়ু সি ৱাইখোঙনা জে এ ককচিংবু পাঞ্জল ৪-২দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস):

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা দি এস এ প্লেগ্রাউন্দদা চথুরিবা ১৭শুবা কিশোরকুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস দব্লিয়ু সি ৱাইখোঙনা জে এ ককচিংবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৯শুবা মেচ ওইনা এস দব্লিয়ু সি ৱাইখোঙ অমসুং জে এ ককচিং লম্বা তৌনখি। শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা এস দব্লিয়ু সি ৱাইখোঙগী জর্সি নম্বর ৯ টেজকুমারনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা টিম অদুগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি।



পাঞ্জল অমা শোথদুনা লৈরবা জে এ ককচিংগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা এটেক চথুরকখি। এটেক অদুগী মখা তারকপা ওইনা শান্নবগী ৩৬ শুবা মিনটতা জে এ ককচিংগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর চন্দুনা টিম অনীমক ১-১দা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকখি। অহানবা হাফতা টিম অনীমক পাঞ্জল মান্নদুনা লৈনখ্রবা মতুংদা মেচ থোইনবা অকনবা মওংদা এটেক চথনরকখি।

এস দব্লীয়ু সি ককচিংগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১৭ সুরজনা ৪৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা জে এ ককচিংবু ২-১দা হেনখি। জে এ ককচিংগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা হেনখিবা অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনখি। শান্নবগী ৬৭ শুবা মিনটতা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৪ এম আরনোল্ডনা পাঞ্জল চন্দুনা টিম অনীমক ২-২দা লৈনখি।

মায় পাক্লনবা টিম অনীমক্না অকনবা মওংদা লম্বা তৌনবা হৌনরকখি। অদুবু শান্নবগী ৮০শুবা মিনটতা এস দব্লীয়ু সি ককচিংগী মায়কৈদগী মমাঙদা পাঞ্জল অমসু চনবা ঙমখ্রবা জর্সি নম্বর ১৭ সুরজনা টিম অদুগী পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা জে এ ককচিংবু ৩-২দা হেনখি।

মখা তানা এক্সট্রা টাইম শান্নরকখিবদা এস দব্লীয়ু সি ৱাখোংগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৭ ভুমেনা এক্সত্রা টাইমগী ৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা অমুক হাপচিন্দুনা জে এ ককচিংবু ৪-২দা হেনখি। জে এ ককচিংগী মখা তাবা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেচ অদু এস দব্লীয়ু সি ৱাইখোংনা জে এ ককচিংবু ৪-২দা মায়থীবা পীখি।

# ত্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী)ঃ

বরানসিগী বিহু অমসুং জুআনপুরগী ভি বি এসতা ওক্টোবর ১৫দগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি হোকি (মেন এন্দ ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০দা শরু কয়ানবগীদমক মণিপুর য়ুনিভর্সিটি হোকি (মেন এন্দ ৱিনে) টিম শেম্নবগী দাইরেক্ট সেলেক্সন ত্রায়ল ওক্টোবর ১গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা য়ুনিভর্সিটিকী হোকি গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

ত্রায়ল সেলেক্সন অসিদা কোলেজশিংগী প্রিন্সিপালশিংনা শান্নরোয়শিংবু থারক্লবা খঙহল্লকপগা লোয়নননা মেত্রিক্কী মার্কসিট, টুয়েল্বকী মার্কসিট, রিদিং সার্টিফিকেট, পাসপোর্ট ফোটোগ্রাফ অনীসু লোয়নবীরক্কদবনি। হায়রিবা দোক্যুমেন্টশিং অসি সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা পীশিনবীগদবনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।



HL-P/3999/14,15,16...

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com